# কোংগ্রেসনা শিবরাজ চৌহানগী থোঙ্গান্দা লোন কোকখিবগী খুদম ওইবা দোকুমেন্ট মপুনশিং থাদরক্লে




*ভোপাল, মে ৭ঃ*

কোংগ্রেসকী সেনিয়ার ওইরবা লূচীংবা শুরেস পাচৌরিনা হান্নগী মধ্য প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহানগী থোঙ্গানদা মহাক্কী পার্টিগী গভর্ণমেন্টনা লৌমী লাক্ষ ২১গী লোন কোকখিবগী প্রমাননি হায়বা দোকুমেন্ট মপুন ময়াম অমা ঙসি থাদরমখ্রে।

অদুম ওইনমক কোংগ্রেসনা হায়রিবা ৱাফম অদুবু শিবরাজ সিংহ চৌহাননা ককথৎলদুনা, থাদরল্লিবা মপুনশিং অদুদি মীনম্বশিংগী মপুননি হায়রি।

ষ্টেট মিনিষ্টর পি সি শর্মা অমসুং অতে কোংগ্রেস লূচীংবশিংগা লোয়ননা হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর শুরেশ পাচৌরিনা গারী অনীদা দোকুমেন্ট মপুনশিং অদু পুরকখিবনি। অদুদগী মখোয়না দোকুমেন্ট মপুনশিং অদু মখোয়গী কোক্তা থাংগৎলগা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অদুগী ওফিসিয়েল রেসিদেন্স ফাওবা লাকখি অমসুং রেসিদেন্স অদুগী থোঙ্গান্দা মখোয়না দোকুমেন্ট মপুনশিং অদু থাদরমখি।

লৌমীগী লোন কোক্লবগী কোংগ্রেসনা মীখল মমাঙদা থমখিবা ৱাশক অদু মধ্য প্রদেশতা কমল নাথনা লূচীংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা থবক তৌরে হায়বদু দোকুমেন্টশিং অসিনা প্রমান পীরবনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিনা হায়খি।

কোংগ্রেস লূচীংবশিং অদু মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা তূংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা দোকুমেন্টরি ইভিদেন্স অদু ককথৎখি। মদু মীনম্বশিংগী মপুন অমনি হায়খি।

বি জে পি লূচীংবা অসিনা হায়খি, কোংগ্রেস গভর্ণমেন্টনা লৌমীশিংদা লূপা ক্রোর ৪৮০০০ পীনবা ফোঙদোকখিবনি অদুবু মদুগী মনূংদা হৌজিক ফাওবদা লূপা ক্রোর ১৩,০০০ খক্তমক পীরি। হৌখিবা চহীগী এসেমব্লি মীখল মমাঙদা মখোয়না লৈঙাক পায়রকখিবগী নুমিৎ ১০নি তূংদা লৌমীশিংগী লোন কোক্লবা ৱাশকখিবনি। কোংগ্রসনা লাইরবা লৌমীশিংবু মীনম্বীরে।

মধ্য প্রদেশ কোংগ্রেস ৱাঙাংলোই ভুপেন্দ্র গুপ্তনা মহাক্কী পার্টিনা লৌমীশিংগী লোন কোক্লবা চপ চানা হোৎনখি অমসুং লোন কোকথোক্লবগী থবক অদু হৌজিক চখিরিবা লোক সভা মীখলগীদমক চৎনরিবা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্কী মরমদগী লেপ্পনি হায়খি।

মধ্য প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়রিবা কোংগ্রেসপু লৌমীগী লোন কোক্লবগী মখোয়গী ৱাশক অদুদগী হন্দোকখ্রে হায়না মরান শীদুনা লাকখিবনি।

# ইমেজশিংনা চিনাগী ৩শুবা অমসুং খ্বাইদগী চাওবা লানগী জহাজ এয়ারক্রাফ কেরিয়র শাবা উৎলি




*হোঙ কোং, মে ৭ঃ*

য়ু এস থিঙ্ক টেঙ্ক অমনা ফংখিবা অমসুং নৈনখিবা সেটিলাইট ইমেজশিংগী মতূং ইন্না চিনাগী অহানবা মপূং ফাবা শাইজগী এয়ার ক্রাফ কেরিয়র শাবগী থবক ফজনা চখরি।

ৱানিংটনদা সেন্টর ফোর ষ্ট্রেটেজিক এন্দ ইন্টরনেসনেল ষ্টদিজ (সি এস আই এস)না পাউগী এজেন্সি রোইটর্সতা পীরকখিবা এপ্রিলগী ইমেজশিং অদুনা সাংহাইগী মপান্দা জিয়ানগনান সিপয়ার্দতা হৌখিবা থা ৬তগী অচৌবা জহাজ অমা শাবগী থবক উবা ফংখি।

চিনাগী অহানবা অচৌবা, ষ্ট্রাইক গ্রূপ ওপরেসনশিংগী মপূং ফাবা রেঞ্জ অমা লূচীংবা ঙম্বা মোদর্ন প্লেটফোর্ম অমা ওইরবা য়ারিবা এয়ারক্রাফ কেরিয়র অদুগী ঈ-পাউ ফঙনবা এসিয়ান অমসুং ৱেষ্টর্ন মিলিটরিশিং অনীমক অমসুং রিজনেল সেক্যুরিটি এনালিষ্টশিংনা হোৎনরি।

চিনানা টাইপ ০০২ হায়না কৌরিবা লানগী প্লেন পুবা ঙম্বা জহাজ অদু টোন ১০০,০০০গী য়ু এসকী এয়ারক্রাফ কেরিয়রশিংদগীদি খরা পীকপগুম তৌই অদুবু ফ্রান্সকী টোন ৪২,৫০০ চার্লিস দে গৌলেদগী হেন্না চাওই হায়না এনালিষ্টশিংনা হায়রি।

টাইপ ০০২ অদু ন্যুক্লিয়ার - পৱার ওইব্রা শেঙনা খংদ্রি। চিনাগী ন্যুক্লিয়র পৱার সবমেরিন ১০ লৈ, অদুবু হৌজিক ফাওবদদি ন্যুক্লিয়ার পৱারগী ঈশিং ঈমাই মথক্কী জহাজশিং লৈত্রি। মদুগী খোঙথাং অদু লৌনবা চিনাগী থৌরাং তৌদে হায়না এনালিষ্ট খরনা খল্লি।

সিঙ্গাপোরদা লৈবা রিজনেল সেক্যুরিটি এনালিষ্ট অমা ওইরিবা ইয়ান ষ্টোরিনা ফোঙদোকপদা ফুল-সাইজগী এয়ারক্রাফ কেরিয়র অমনা চিনাগী য়ুমলোন্নবা খরবু মকোক-মমৈ ঙাওহল্লগনি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনবা মখোয়গী ষ্ট্রেটেজিক্কী লৈনবা মরীগী মরুওইবদু উৎথোক্লগনি।

এয়ারক্রাফ কেরিয়র অদু মপূং ফানা শাবা হেক লোয়শিনবদা মদুনা ইন্দিয়া অমসুং জপান য়াওনা এসিয়াগী লৈবাক অমগী লানগী জহাজ অমদগী হেল্লগনি হায়না আই এস ই এ এস য়ুসোফ ইশাক ইনষ্টিট্যুটকী ইয়ান ষ্টোরিনা হায়খি।

# শ্রী লঙ্কা এটেকশিং চথখিবা টেরর গ্রূপ অদুগী লূপা বিল্লিয়ন ৭ হেনবগী মরন-মথুমশিং লৈ ঃ পুলিস

*কলম্বো, মে ৭ঃ*

শ্রী লঙ্কাদা ইষ্টর সন্দে, এপ্রিল ২১ সুইসাইদ বোম এটেকশিংগী অদুগী মরান শীরিবা আই এস আই এসকা মরীলৈনবা শ্রী লঙ্কান এক্সট্রিমিষ্ট গ্রূপ নেসনেল থোৱহীদ জামাথ (এন টি জে)গী শেল ওইনা লূপা মিল্লিয়ন ১৪০ হেনবা অমসুং লূপা বিল্লিয়ন ৭ হেনবগী অতৈ এসেটশিংগী গী মপু ওই হায়বা থেঙনরে হায়না পুলিসনা ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মরন-মথুম অমসুং শেনফমশিং অদু সি আই দিনা চথবা ইনভেষ্টিগেসনশিংনা ফংখিবনি। শেনফম অদুগী তঙ্খাই অমা সি আই দিগী কষ্টদিগী মখাদা থমখ্রে। লেমহৌরিবা শেনফম অদু তোঙান তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্টশিংদা লৈরম্বনি। হায়রিবা বেঙ্ক একাউন্টশিং অদু চৎনহন্দনবা সি আই দিনা থবক লৌখৎখ্রে হায়না পুলিসকী ৱাঙাংলোই এস পি রুৱান গুনাসেকেরানা হায়খি।

পুলিস ৱাঙাংলোই অসিনা হায়খি, মীওই ২৫০ হেন্না হাৎখিবা এপ্রিল ২১গী এটেকশিং অদুগী মতূংদগী এন টি জে গী মেম্বরশিংনি চীংনবা মীওই ৭৩ রোম ফাগৎখ্রে অমসুং সি আই দি অমসুং টেরোরিষ্ট ইনভেষ্টিগেসন দিপার্টমেন্ট ( পি আই দি)না ৱাহং পাউহং চখরি।

নুপী ৫ য়াওনা চীংনবা মীওই ৫৪ সি আই দি কষ্টদি মখাদা অমসুং নুপী ২ য়াওনা ১৯ টি আই দি কষ্টদি মখাদা লৈরি।

# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী দিল্লিগী রামলিলা মৈদান রেল্লিনা ওপোজিসনগী কূন্দা থাবা অরোইবা য়োৎপী ওইরগনি ঃ বিজয় গোয়েল




*ন্যু দিল্লি, মে ৭ঃ*

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং বি জে পি লূচীংবা বিজয় গোয়লনা ঙসি হায়খ্রে- দিল্লিগী ইতিহাসিক ওইরবা রামলিলা লম্পাক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী রেল্লিনা দিল্লিদা এ এ পি অমসুং কোংগ্রেসকী কূ অদুদা থাবা অরোইবা য়োৎপী অদু ওইরগনি অমসুং বি জে পিনা মুস্লিম নুপীশিং অমসুং অহানবা ওইনা ভোটর ওইরকপশিং মশীং য়ান্না মীফম অদুদা শরুক য়ারক্কনি হায়বগী আশা ফোঙদোকখ্রে।

হয়েঙ য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাংথোক্কদবা প্রাইম মিনিষ্টরগী মীফম অদুগীদমক রামলিলা মৈদানগী পোলিটিকেলগী ওইবা তোঙানবা মরুওইবা অদুগী খল্লগা পার্টিনা লম্পাক অসিদা পাংথোক্লবা খনখিবনি অমসুং মীয়ামগী মীফম অদু দিল্লিদা হৌজিক ফাওবগী মনূংদা খ্বাইদগী চাওবা ওইগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

লম্বীগী নাকনদা পাক চাওরবা দিজিটেল স্ক্রিনশিং থাংগৎকনি। নোইদা, গাজিয়াবাদ অমসুং ফারিদাবাদতগী মীয়াম হোন্নবা থৌরাংশিং তৌখ্রে হায়না সেনিয়ার দিল্লি লূচীংবা অদুনা হায়খি।

পার্টি অসিনা এম্বুলেন্স কয়ামরুম, থক্লবা ঈশিং অমসুং লম্বীগী মেপশিং মতিকচানা থৌরাং তৌরে। অসিগুম্লবা মীফম অসিগী মতূংদা কোংগ্রেস অমসুং এ এ পিগী মীরেপশিং মখোয়গী দিপোজিটশিং কন্নবা হোৎনবদা অরুবা অমা ওইরগনি। মসিনা দিল্লিদা ওপোজিসনগী কূ অদুদা থাবা অরোইবা য়োৎপী অদু ওইরগনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মীফম অসিগী মাঙওইননা ঐখোয়না হৌখিবা নুমিৎ ১০নিদগী হৌনা সিটি অসিদা লৈবা ঐখোয়গী দিভিজন ২৭২দা মীফমশিং পাংথোকখ্রে। ঐখোয়না মহৈরোইশিং, মরুওইনা অহানবা ভোটর ওইরকপশিং, লল্লোনবশিং অমসুং মুস্লিম নুপীশিং উন্নদুনা মীফম অদুদা মখোয় মশীং য়ান্না শরুক য়ারনবা আপীল তৌখ্রে হায়না মিষ্টর গোয়েলনা হায়খি।

লৈবাক্কী কোনূং অসিদা লৈরিবা লোক সভা সিট ৭কী ভোট ৬শুবা তাঙ্ককতা মে ১২দা পাংথোক্কদবনি।

# ইন্দোনেসিয়াদা মৈগী চীং পোকখায়খ্রে

*জাকারতা, মে ৭ঃ*

ইন্দোনেসিয়াগী সুমাত্রা ঈথৎতা লৈবা 'মাউন্ট শিনাবুং' ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পোকখাইরকখ্রে অমসুং নোংথক্তা ফুট ৬,৫০০ হেন্না ৱাংনা উৎ অমসুং মৈখুগী অচৌবা মপৈশিং কাপখৎলক্তুনা অকোইবদা লৈবা খূঙ্গংশিং মদুনা অমুক কুপশিনখ্রে।

চহী ৪০০গী মনূংদা অহানবা ওইনা মৈগী চীং অসি ২০১০দা অমুক হীংগৎলকখি। মতম খরা অমুক অশিবগুম লৈরবা তূংদা ২০১৩দা অমুক্কা পোকখায়রকখি। মদুগী মতূংদগী পোকখায়রকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরকখি।

প্লানেট আর্থকী মথক্তা অহীংবা মৈগী চীং ১৫০০ রো মলৈ, মসিগী মনূংদা ইন্দোনেসিয়াদা অহিংবা মৈগী চীং ১৩০রোম লৈ। মৈগী চীং পোকখায়বগী থৌদোক তোয়না থোকপা পেসিফিক ওসিন কোয়শিল্লিবা টেক্টোনিক প্লেট বাউন্দরিশিংগী বেল্ট অমা ওইরিবা 'রিঙ ওফ ফয়ার' গী মথক্তা লৈবা মরমদগী ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহার হাবা অমসুং মৈগী চীং পোকখায়বগী থৌদোক তোয়না থোই। মৈগী চীং পোকখাইরকপা অদুদগী লাভাশিং চেম্থরকপা য়াবনা চীংদোন অদুগী মনাক্তা তুরেল পরিংদা লৈবা মীয়ামদা চেকশিন্নবা খংহনখ্রে।

# সুপ্রিম কোর্টকী মপান্দা নুপীশিং য়াওনা প্রোটেষ্টর ৫৫ ফাখ্রে



*ন্যু দিল্লি, মে ৭ঃ*

চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়া রঞ্জন গোগোইগী মথক্তা শীরকখিবা সেক্সুয়েল হরাসমেন্টকী মরান অমা য়েঙশিন্নবা চথখিবা কাঙলোন অদুগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা সুপ্রিম কোর্টকী মপান্দা প্রোটেষ্ট তৌবদা নুপী উকিলশিং অমসুং এক্টিভিষ্টশিংনা অয়াম্বা ওইনা প্রোটেষ্টর ৫৫ ফাখ্রে।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইগী মথক্তা সুপ্রিম কোর্টকী হান্নগী নুপী ইপ্লোয়ী অমনা থাঙ্গৎলকখিবা সেক্সুয়েল হরাসমেন্টকী মরানশিং অদু ঙরাং মকোক থোঙবা কোর্ট অসিগী ইন-হাউস ইনক্কারি কমিটি অদুনা য়ুমফম অমত্তা য়াওদবা থেংনখি অমসুং জষ্টিস গোগোই চেন্নদে হায়খি।

ইন-হাউস ইনক্কারি কমিটি অদুনা চীফ জষ্টিস গোগোইবু সেক্সুয়েল হরাসমেন্টকী ৱাথোকতা চেন্নদে হায়বা ৱারেপ তাখিবা অদুগী মতূংদা নুপী উকিলশিং অমসুং এক্টিভিষ্টশিংনা কোর্ট অসিগী মপান্দা য়ানীংদবগী খোঙজং চথখিবনি।

মরান কোকথোকপা য়ারোই, রুল ওফ লো শোয়দনা ইনগদবনি, নহাক্না ফনা ৱাংলবসু লোনা নংগী মথক্তা লৈ হায়না ইবা বেন্নরশিং পায়রদুনা নুপী উকিলশিং অমসুং এক্টিভিষ্ট কয়ামরুম্না য়ানীংদবগী খোঙজং চথখি।

নুপীশিংগী খোংজং অদুগী মতাংদা দিপুটি কমিস্নার ওফ পুলিস (ন্যু দিল্লি) মধুর বরমানা মফম অদুগী অকোইবদা পুলিসকী অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎখি, নুপী ৫২ য়াওনা পূন্না প্রোটেষ্টর ৫৫ ফাজিল্লে অমসুং মখোয়বু মন্দির মার্গ পুলিস ষ্টেসনদা পুখ্রে হায়খি।

নুমিৎ ১৪নিগী মনূংদা থবক মপূং ফানা লোয়শিনখিবা মেম্বর ৩গী কমিটি অদুনা ৱাকৎলক্লিবা নুপী অদু য়াওদনা থবক চথখি। নুপী অদুদি নুমিৎ হুন্নি শরুক য়ারম্লবা তুং এপ্রিল ৩০দা ইনক্কারি অদুদগী মমায় লৈথোক্তুনা লাকখিদ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী সিটিজন অমা ওইনা মঙোন্দা অচৌবা চুমদবা অমা তৌখ্রে অমসুং মহাক্না খ্বাইদগী কিরম্বা অদুমক চুমলে। অচুম্বা ফংনবগী অমসুং লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েনশঙদগী অৱাবা কোক্লবগী আশা থুগাইখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ৱাকৎলোই নুপী অদুনা হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টকী ইন-হাউস ইনক্কারি কমিটি অদু জষ্টিস এস এ বোবদে, জষ্টিস ইন্দিরা বেনরজি অমসুং জষ্টিস ইন্দু মলহোট্রানা শাবনি।

সুপ্রিম ইন-হাউস কমিটি অসিগী রিপোর্ট মীয়াম মমাঙদা ফোঙদোক্লিঙাই ওইদে হায়না কমিটি অদুনা হায়খিবনি।

মসিনা তাক্লিবদি ইনক্কারি রিপোর্ট অদু ৱাকৎলোই ওইরিবী অদুদা খঙহন্দবা য়াই হায়বনি।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা সি পি আই (এম)গী লূচীংবী বৃন্দা কারাতনা কমিটিদা চথখিবা কাঙলোন অদু মপূং ফানা চুমদবা অমা ওইনা তৌই। রিপোর্ট অদু ভিক্তিমদা করি মরমগী পীরোইদৌরিবনো? মসি অরানবনি। হীরম অদু মখোয়না ককখ্রবা মরন্না মদুগী চথখিবা কাঙলোনগী মতাংদা অহেনবা ৱাহং কয়া হেন্না হংনিংঙাই ওইরে।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-116**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 4 | 2 | 3 | | | | 6 |
| | 2 | | | 5 | 7 | | 4 | 8 |
| 1 | | | | 4 | | 3 | 5 | |
| 2 | | | | | 3 | | 7 | 5 |
| 3 | | 7 | 1 | | | | 8 | |
| | 5 | | | | 4 | 2 | | 3 |
| | 3 | | | | 9 | 5 | | |
| 7 | | 5 | | | 8 | | | |
| | | | 5 | | 2 | | 3 | |

# GAS TODAY

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 27/04/19
Valid : 23/04/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 15/03/19
Sl. No. : 6290
Valid : 13/03/19
Sl. No. : 5771
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 10/04/19
Valid : 03/04/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 19/03/19
Valid : 14/03/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.00 a.m.

**Lamsang Gas**
Booking :30/03/19
Valid : 20/03/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 08/04/19
Valid : 02/04/19
Stk : 306

**Yairipok Gas Service**
Booking : 06/04/19
Valid : 02/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**J. Rongmei Sk Indane**
Booking : Up to Sl. No. 37930
Valid : From Sl. No. 37601
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**K & K Indane Service**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 15/04/19
Valid : 25/03/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 16/04/19
Sl. No. : 251270
Valid : 11/04/19
Stk : 306

**Canchi Service Indane**
Booking : 01/04/19
Valid : 28/03/19
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.30 a.m.

**Bashikhong Gas**
Booking : 26/03/19
Sl. No. : 39154
Valid : 12/03/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khoriphaba Gas Nambol**
Booking : 10/04/19
Valid : 08/04/19
Sl. No. : 27575 to 28025
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**R B D Indane**
Booking : 30/03/19
Valid : 12/03/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 23/02/19
Valid : 15/02/19
Sl. No. : 51900
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**সনা-সুদোকু - ১১৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 2 | 6 | 7 | 5 | 3 | 4 | 9 |
| 3 | 6 | 5 | 2 | 9 | 4 | 8 | 1 | 7 |
| 7 | 9 | 4 | 8 | 3 | 1 | 5 | 6 | 2 |
| 8 | 3 | 6 | 5 | 4 | 2 | 7 | 9 | 1 |
| 4 | 1 | 9 | 7 | 6 | 8 | 2 | 3 | 5 |
| 5 | 2 | 7 | 3 | 1 | 9 | 4 | 8 | 6 |
| 9 | 7 | 3 | 4 | 5 | 6 | 1 | 2 | 8 |
| 2 | 4 | 1 | 9 | 8 | 7 | 6 | 5 | 3 |
| 6 | 5 | 8 | 1 | 2 | 3 | 9 | 7 | 4 |


**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 141/SDC/SLG/IE of 07/05/2019*

Thokchom Radhe Davi
W/O (Late) Thokchom Manigun Singh
Of Mongshangei School Leiras
***- Petitioner***

***-Verses-***
(Late) Thokchom Manigun Singh
S/O (Late) Hanuman Singh of Mongshangei
....., Late Pattadar No. 1
***- Opposit Party.***

**NOTICE**

*Sagolmang,the 07/05/2019*

Under Section-46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ইঃ ইঃ তহসিল খুল নং 11-Pukhao Ahallup পাটা নং 45 (অরিবা) 88 (অনৌবা), দাগ নং 80 মাট এরিয়া 0.70 acre একর চাওবা Phourel লৌফমগী Co-pattadar No. 1 মৃত্তু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাটাদারগী মিং কক্লগা applicant গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদরগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌবীরনবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনূংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি- Objection তৌরবা য়াগনি মতূংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East, Manipur
*SL/BILL(T)/8(A)*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 142/SDC/SLG/IE of 07/05/2019*

Thokchom Radhe Davi
W/O (Late) Thokchom Manigun Singh
Of Mongshangei School Leiras
***- Petitioner***

***-Verses-***
(Late) Thokchom Manigun Singh
S/O (Late) Hanuman Singh of Mongshangei
....., Late Pattadar No. 1
***- Opposit Party.***

**NOTICE**

*Sagolmang, the 07/05/2019*

Under Section-46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ইঃ ইঃ তহসিল খুল নং 10-Pukhao Naharup পাটা নং 308 (অরিবা) 26 (অনৌবা), দাগ নং 1125 মোট এরিয়া 0.71 acre একর চাওবা Phourel লৌফমগী Co-pattadar No. 1 মৃত্তু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাটাদারগী মিং কক্লগা applicant গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদরগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌবীরনবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনূংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি- Objection তৌরবা য়াগনি মতূংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East, Manipur
*SL/BILL(T)/8(B)*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 143/SDC/SLG/IE of 07/05/2019*

Thokchom Radhe Davi
W/O (Late) Thokchom Manigun Singh
Of Mongshangei School Leiras
***- Petitioner***

***-Verses-***
(Late) Thokchom Manigun Singh
S/O (Late) Hanuman Singh of Mongshangei
....., Late Pattadar No. 1
***- Opposit Party.***

**NOTICE**

*Sagolmang, the 07/05/2019*

Under Section-46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ইঃ ইঃ তহসিল খুল নং 12-Pukhao Khabam পাটা নং 69 (অরিবা) 44 (অনৌবা), দাগ নং 69 মোট এরিয়া 0.70 acre একর চাওবা Phourel লৌফমগী Co-pattadar No. 1 মৃত্তু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাটাদারগী মিং কক্লগা applicant গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদরগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌবীরনবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনূংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি- Objection তৌরবা য়াগনি মতূংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East, Manipur
*SL/BILL(T)/8(C)*

**In the Court of the Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Cass No. 144/SDC/SLG/IE of 07/05/2019*

Thokchom Radhe Davi
W/O (Late) Thokchom Manigun Singh
Of Mongshangei School Leiras
***- Petitioner***

***-Verses-***
(Late) Thokchom Manigun Singh
S/O (Late) Hanuman Singh of Mongshangei
....., Late Pattadar No. 1
***- Opposit Party.***

**NOTICE**

*Sagolmang, the 07/05/2019*

Under Section-46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ইঃ ইঃ তহসিল খুল নং 11-Pukhao Ahallup পাটা নং 58 (অরিবা) 100 (অনৌবা), দাগ নং 77 মোট এরিয়া 0.50 acre একর চাওবা Phourel লৌফমগী Co-pattadar No. 1 মৃত্তু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাটাদারগী মিং কক্লগা applicant গী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদরগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌনীংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনূংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি- Objection তৌরবা য়াগনি মতূংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East, Manipur
*SL/BILL(T)/8(D)*